# মমাঙ চহীদা মীওই ১,৬৪,০৩৩ মশা মতোমতা শিজখি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা মীওই ১,৬৪,০৩৩ মশা মতোমতা শিজখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম নিত্যনন্দ রাইনা লোক সভাদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী রিপোর্ট অসিবু লোক সভাদা ফোঙদোক্লদুনা এম ও ঐচ নিত্যনন্দনা হায়খিবদা রেকোর্দ অসিগী মতুংইন্না নোংমদা লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই ১৭৮ নুমিৎ খুদিংগী মশা মতোমতা শিজরি। মসিগী মনুংদা মীওই ৪২,০০৪ দি নোংমগী শুরগা হিংনবা হোৎনরিবা ঙাক্তনি অদুগা ২৩,১৭৯ না য়ুমগী নুপীওইবীশিংনি। মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিদা মীওই কয়া মশা মতোমতা শিজখিবগী কেস অসি হৌখিবা কুমজা ২০২০ দগী হেনখি। মসিগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা রিছার্স তৌবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

# অন্দমান আইলেন্দদা রোহিংয়াং ১০০ রোম পন্দুনা লৈরি

মুম্বাই, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : অন্দমান আইলেন্দগী শরুক অমদা ইথনিক রোহিংয়াং ১০০ রোম তোংবা হি অমা কংফালগী শরুক তম্না লাকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈরি। অমদি মীওই ২০ লোমদি ঈশিং খৌরাংবা, চাবা ফংদবা অমদি ইরাক্লদুনা শিরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ম্যান্মার রোহিংয়াং এক্টিভিষ্ট গ্রুপ অনীনা ফোঙদোরক্লি। চহী খুদিংগী ওইনা ম্যান্মারদা মুস্লিম মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা রোহিংয়াংশিংনা লৈবাক অদুদা চথরিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং কয়া অদুদগী লাম্থোক্লবগীদমক হি তোংদুনা বাংলাদেশতা অমদি মালেসিয়াদা চঙশিন্নবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা রোহিংয়া কয়া ঈশিংগী লম্বীদা লমহাংনদুনা শিখিবগী থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়ন নেভী সিপ অমনা অন্দমান আইলেন্দ মনাক্তা হি অমা লৈরম্বা থেংরকখিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং চাইনা ঙমখৈগী মতাংদা খন্নসি য়াদে হায়বগীদমক সোনিয়া গান্ধীনা সেন্টর হুন্দুনা ঙাংখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী লোন্নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা চাইনিজ মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথরক্লিবা অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্তুনা খন্নসি য়াদে হায়বগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি তুংদা হৌগৎলক্লিবা কয়াগী পুন্সিদা খুদোংথিবা থোকহল্লক্লবা থৌওংনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টবু হুন্দুনা ঙাংখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবী অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনল সিক্যুরিটিগী মতাংদা খুদোংচাদবশিং লাক্লবদি মদুবু পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্তুনা খন্নবা হায়বসি লৈবাক অসিগী চৎনবী অমা ওইনা লাক্লিবনি। অদুবু ঙমখৈগী শরুক্তা চাইনানা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথখিবা অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্তুনা খন্নসি হায়বদু গভর্ণমেন্টনা য়াদ্রিবা অসি মরম চাদে। মখোয়না চথরকপা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া ঐখোয়না তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপদগী য়াম্না তোয়না চাইনিজ মিলিটরিনা অহেনবা থবক থৌওংশিং চথরক্লিবনি। অসিগুম্বা চাইনিজ মিলিটরিগী অহেনবা থবক থৌওংশিং অসি থিংনবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা করি থবক পায়খৎখ্রবগে অমদি করি তৌবা মথৌ তাবগে হায়বদু খুদিংমক্তা খঙহনগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদদি রুলিং নত্রগা ওপোজিসন হায়না খায়দোকপদা অরানবা ওইগনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টদা পুথোক্তুনা খন্নবগী অয়াবা পীফম থোকই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা ইষ্টর্ন লাদাখতা ইন্দিয়ন আর্মি অমদি চাইনিজ পিপলস লিভরেসন আর্মিগী মরক্তা থোকখিবা পামদবা থৌদোক অমদা ইন্দিয়ন আর্মি ২০ শিখিবগা লোয়ননা চাইনিজ পি এল এ ৪০ না অশোক অপন নত্রগা অশি অনা থোকহনখি। মদুগী মতুং থা অসিগী ৯ দা অমুক হন্না অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং সেক্টরদা লৈবা লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংদা চাইনিজ পি এল এ অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অমুক হন্না থোকখি। মসি ঐখোয়না তরাইনা লৌরোইদবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুন্না খন্নমিন্নদুনা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নগদবনি হায়রি।




# সী বি আইদা থিজিলহন্নবা ফোঙদোকখিবা ৱাফম হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

দেরাদুন, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা উট্টরখন্দদা লৈবা হোটেল অমদা রিসিপসনিষ্ট ওইনা লৈবী মশাগী চহী ১৯ লোম শুরবী অনকিতা ভন্দারি কৌবী নুপীমচা অমগী মর্দর কেস সী বি আইদা থিজিলহন্নবগীদমক কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবা অদু রিজেক্ট তৌরকখ্রে হায়রি।

ননিটাল হায় কোর্টনা অনকিতা ভন্দারি মর্দর কেস সী বি আইদা থিজিলহন্নবা হায়জরকখিবা অদু রিজেক্ট তৌখিবনি। উট্টরখন্দ হায় কোর্টকী সিনিয়র জজ সঞ্জোয় কুমার মিস্রাগী সিঙ্গল বেঞ্চনা সী বি আইদা থিজিলহন্নবগীদমক ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুবু রিজেক্ট তৌখিবনি। হৌজিক হৌজিকমীশি অসিগী মতাংদা থিজিন্নবগীমক শেমখিবা স্পিসল ইনভেষ্টিগেটিং টিম (এস আই টি) অসিনা হৌজিক হৌজিক মর্দর কেস অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক মপুং ফানা চথরি। অমদি এস আই টিনা পায়খৎলক্লিবা থবকশিংদা কোর্টনা থাজবা থম্মী হায়রি।

মমাঙ থাগী ৪ দা অনকিতাগী মমা সোনা দেবী অমসুং মপা বিরেন্দ্র সিংহ ভন্দারিনা ননিটাল হায় কোর্টদা মখোয়গী মচানুপী লৈখিবদগী কেস অসি সী বি আইদা শীন্নদুনা থিজিলহন্নবগীদমক পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি। অমরোমদা উট্টরখন্দ পুলিসনা মর্দর কেস অসিদা চেন্নে হায়না চিংনরিবা মীওই ৩ গী মথক্তা চার্জসিট ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা কোটদ্বার জুদিসিএল কোর্টতা চার্জসিট সমিট তৌখ্রে। থা অসিগী ৪ দসু উট্টরখন্দ পুলিসনা অনকিতা ভন্দারি মর্দর কেসকী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা লোয়শিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক মর্দর কেস অমদি চেন্নে হায়রিবা মীওই ৩ অসিদা ৱাৎলিবা হায়ববু নার্কো টেষ্ট খক্তমক ঙাইরে হায়না মীয়ামদা খঙহনবসু লৈখ্রে। মীওই ৩ অদুগী মথক্তা নার্কো অমসুং পোলিগ্রাফ টেষ্ট চথবদা অয়াবা পীনবগীদমক কোটদ্বার কোর্টতা হায়জখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ২ গী মথক্তা নার্কো টেষ্ট চথবদা কোর্টনা অয়াবা পীরকখ্রে হায়রি।




# ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লবা খঙহল্লকখিবা অদুবু নিটিস কুমারনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি



পাটনা, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা হৌজিক হৌজিক চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা শরুক য়ারিবশিংনা কোভিদ ১৯ গী এস ও পি ঙাক্লা চৎনবা নত্রগনা খোঙচৎ অদুবু পোস্পেন্দ তৌনবা সেন্টরনা খঙহল্লকখিবা ৱাফম অদুবু বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টেট খরগী মীখলদা কোভিদ-১৯ গী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎহনখিদবগী মরমসু হঙলক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বিহারদা খ্বাইদগী মতম শাংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা নিটিস কুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা ভারত জোরো যাত্রাগী মপাঙ্গল কনখৎলকপা উবদগী মীপায়বা পোক্তুনা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা খোঙচৎ অসিবু থুগায়নবা হোৎনরকপনি। বিহারদা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ চঙশিল্লকপগা সেন্টরনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি নোক্লিংবা ফাওই। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী ফীভম মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী কেস অমত্তা থেংনখিদ্রে। সেন্টরগী থৌওং অসিদি খোঙচৎ অসিবু নমফুদা থিংনবা হোৎনবনি হায়রি।

# দ্রগ কেসকী মতাংদা এন আই এনা মতেং পাঙশিল্লবদি এন সী বিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমগনি ঃ অমিট শাহ

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌজিক মীয়ামনা খ্বাইদগী চাওনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা অসি দ্রগকী প্রোব্লেম অসিনি। লৈবাক অসিদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা টেরোরিষ্টশিংনা দ্রগপু মখোয়গী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্লিবা অসি থিংনবা হোৎনবদা নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোনা লৈবাক শীনবা থুংনা থবক পায়খৎলি। অদুবু এন আই এনা ষ্টেট ষ্টেটশিংদা চথরিবা দ্রগকা মরী লৈনবা কেসশিংদা মতেং পাঙশিল্লবদি এন সী বিগী থবক থৌরমশিংদা লায়থোকহনবগা লোয়ননা পাঙ্গল থোক্লা থবক তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোরক্লি।

পার্লিয়ামেন্টদা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা দ্রগকী প্রোব্লেম মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরম খুদিংমক পায়খৎলি। সেন্টরনা লৈবাক অসিবু দ্রগ ফ্রি ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসি খুমাঙ চাওশিল্লক্লি। দ্রগ শীজিন্নরিবা মীওইশিংবু ঐখোয়না লান্না উদে। মরমদি মখোয় ভিক্তিম মখল অমনি। মরম অদুনা ঐখোয়না দ্রগ এদিক্টশিংবু তাথি তাওইনা তৌবগী মহুত্তা মখোয়বু হান্নগী পুন্সিদা অমুক হলহল্লক্কদবনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংনা অমত্তা ওইনা দ্রগকী মায়োক্তা লাম্থেং চঙশিনগদবনি। ষ্টেট অমখক্তনা দ্রগকী মায়োক্তা থবক তৌরগা নত্রগনা অখন্নবা ষ্টেট অমা দ্রগ ফ্রি ওইরে হায়দুনা লৈবাক অসি দ্রগ ফ্রি ওইরে হায়বা য়ারোই। এন সী বি অমসুং এন্টি নার্কোটিক এজেন্সীশিংনসু হীরম অসিদা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরি। করিগুম্বা মথৌ তারবদি এন আই এনা লৈবাক অসিগী ৱাংমদা চত্তুনা থিজিনবগী থবক চথবা য়াগনি হায়রি।



# কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৩১ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৩১ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৩১ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৬,৩৩০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৪০৮ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ৩ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৮০ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

# এ এ পিগী লুচিংবা পুলিসনা ফাজিল্লুরবা মতুং বেলদা থাদোরকখ্রে

ভাবনগর, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী) : গুজরাট আম আদমি পার্টিগী প্রসিদেন্ট গোপাল ইতালিয়াবু ঙসি পুলিসনা ফাজিল্লুরবা মতুং বেলদা অমুক হন্না থাদোরকখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা ৱাফম খরা এ এ পিগী লুচিংবা গোপাল ইতালিয়ানা ফোঙদোকখি হায়বগী মরালদা ভাবনগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা উমারলা পুলিস ষ্টেসনদা মহাকপু ফাদুনা পুরবা মতুং ইকান কান্নদনা বেলদা থাদোরকখিবনি। মহাক থাদোকখ্রবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা থৌওং অসি বি জে পিনা অতম্না চথখিবনি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা বি জে পিগী অসিগুম্বা দিক্টেটরশিপকী থবক থৌওংশিং অসিনা অচুম্বা পাম্বা মীওইশিংবু কৈদৌনুংদা নমথদুনা থম্বা ঙম্লোই। ঙরাং মহাক্কী মবোক লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোক্লিঙৈ মরক অসিদা ঙসি মহাকপু ভাবনগর পুলিসনা ফাখিবনি। বি জে পিগী অসিগুম্বা দিক্টেটরগী ওইবা থৌওং অসি ষ্টেট অসিদা চহী কয়াগী মমাঙদগী চথদুনা লাক্লি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা মেম্বর ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা এ এ পিনা সিট ৫ খক্তমক মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু হৌদোকপা কুইদ্রিবা পার্টি অমগী ওইনদি সিট ৫ খক্তমক মায় পাকপা ঙমখিবা অসি মায়থিবা নত্তে। মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিল্লকপগী অহানবা খোঙথাংনি হায়রি। পনবা য়াবদি, হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুগা মরী লৈননা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদা এ এ পিগী লুচিংবা অসিনা লোর্দ রামগী মতাংদা ফজ দবা ৱাহৈশিং শীজিন্নখি হায়না মহাক্কী মথক্তা পুলিস কমপ্লেন তৌরকখিবনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015(pt)/2443 Dated, the 7th Dec. 2022**

Mrs. Nasima W/o (L) Md. Tamijur Rahaman of Lilong Haoreibi Makha Leikai.

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 20th Dec. 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mrs. Nasima W/o (L) Md. Tamijur Rahaman of Lilong Haoreibi Makha Leikai, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্টসন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/5282/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IW(H) HIYANGTHANG

**Ref :- Dem/Pt case No. 155/SDC/IW(H)/2022**

1. Phijam Opendro Singh S/o Ph. Chaoba Singh.
2. Nongthombam Jibankumar Singh S/o (L) Mangijao Singh Both of Hiyangthang Mamang Leikai. -Applicant

-Vs-

Moirangthem Nimai Singh S/o (L) Chandramani Singh of Hiyangthang Mamang Leikai. -OP

To - Moirangthem Nimai Singh S/o (L) Chandramani Singh of Hiyangthang Mamang Leikai.

Whereas the above named Plaintiffs' has instituted on case for Demarcation of the land U/P No. 1084 (N) & 1957 (N) covered by CS Dag No. 5478 & 1839 of Demarcation of the land U/S 53, MLR & LR Act 1960. Whereas this Court issued to you through normal service 3 (Three) times but you refused to received the same & having no other option. This publication & notice has become necessary you are hereby directed to appear before the Court on 26/12/2022 at 11.30 am personally or by duly authorized to show cause why you don't appeared.

Failing which the Court shall be proceed with the Case and determine in your absence.

Take notice that in default of your appearance on the day mentioned the case will he heard and determined in your absence.

Given under my hard and Seal of this Court on this day 20/12/2022.

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Hiyangthang

HL-P/4946/22

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 147/SDC/L of 2022.**

1. Bariya Begum C/o Md. Maheruddin of Lilong Turel Ahanbi.
2. Md. Shahrukh Khan S/o Md. Maheruddin of Lilong Turel Ahanbi Kalikhong Mathak.
3. Rajak Khan S/o Md. Maheruddin of Lilong Turel Ahanbi. -Petitioners

-Vs-

1. Md. Serajuddin
2. Maneruddin
3. Samsurddin
4. Maheiruddin
5. Hazna Bibi
6. Hajayra Bibi
7. Raban Bibi D/o Anamuddin of Lilong Turel Ahanbi. -OP

[illegible] / **NOTICE**

Lilong the 24th Nov. 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act,1960 গী মতুংইন্না Pattadar গা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি অরিবা পাট্টা নং ৩৬০, অনৌবা পাট্টা নং ১১৩৩, দখল তৌরিবা দাগকী নং ১৩০৮, এরিয়া .১১৫৪ হেক্তর, ইখোল, Revenue Village No. ১৬-লিলোংগী Pattadar 4 শুবা অসি মৃতু: ওইখ্রে। Co-Pattadar No. 4 অসি Applicant শিংগী মীংদা পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/Lilong গী Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গা মরী লৈনবা কনাগুম্বা, কনাগুম্বীশিংনা Objection তৌবীনিংলবদি পাউচে অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা SDC/Lilong, Office মতমদা লাক্তুনা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা Objection তৌরদ্রবদি কেস মখা চথরগনি, তুংদা লাকপা Objection শিং Courtঅসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/5282/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 149/SDC/Lilong Dated: 9/12/2022**

Huirongbam Amujao Meitei S/o (L) Huirongbam Thambal Singh of Khekman Huirongbam Mathak Leikai. -Applicant

-Vs-

(i) (L) Huirongbam Babu Singh S/o (L) Komol Singh of Khekman.
(ii) (L) Wangjam Sajou Singh S/o (L) Chaomacha Singh of - do - -OP

[illegible] / **NOTICE**

21st December 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯ - খেকমন পাট্টা নং 770 (Ang) অরিবা, 1140/1491 অনৌবা, দাগ নং 3308 and 3309, এরিয়া (i) .56080 Hectare and .50580 Hectare চাওবা "তাওথবী" লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং (i) (L) Huirongbam Babu Singh S/o (L) Komol Singh of Khekman অমসুং (ii) (L) Wangjam Sajou Singh S/o (L) Chaomacha Singh of do মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারশিংগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা 28/12/2022 ইং ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/5282/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 1010/SDC/Hng/IE/2022**

Daimei Basanta Rongmei S/o (L) Kalaona Daimei of Chingmeirong Rongmei Village. -Petitioner

-Vs-

(L) kalaona Daimei S/o Gousannang of Chingmeirong. -OP

[illegible] / **NOTICE**

Dated : 21/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ১১-লাইফম সিফাইদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ৩৪৮,২৯৪, ১০৯ অনৌবা পাট্টা নং: ১০৮, ৭১/৪৩৬, ৯৪, দাগ নং: ৫৯৭, ১৭৩/৬৯৭, ৭, এরিয়া .২৫, .১২, ১.০৪ একর চাওবা ইখোল অমসুং অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/5476/22

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 1011/SDC/Hng/IE/2022**

Daimei Basanta Rongmei S/o (L) Kalaona Daimei of Chingmeirong Rongmei Village. -Petitioner

-Vs-

(L) kalaona Daimei S/o Gousannang of Chingmeirong. -OP

[illegible] / **NOTICE**

Dated : 21/12/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ৯-চীংমৈরোং নোংপোকতা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ৪৩ অনৌবা পাট্টা নং: ১৪৬/২২৭, দাগ নং: ২৩৭/৩১৭, ২৩৩/৪০৭, এরিয়া .০৫৪, .০২ একর চাওবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/5476/22

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 354/SDC/IW-L/2022.**

Lairenlakpam Charubala Devi W/o Punyachandra Singh of Uripok Polem Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Lairenlakpam Rajmuhon Singh S/o (L) Kalimohon Singh of Naoremthong Khumanthem Leikai. -OP/Party

[illegible] / **NOTICE**

21/12/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার লাইরেনলাকপম রাজমুহোন সিংহ পীতা মৃত কালিমোহোন সিংহ সাং নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকাইগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাটা নং ১০৭ দাগ নং ১২৫৫, ১৩৭২, ১৩৭৩, ১৩৭৪ এরিয়া ০.৬৬, .৫২, .৮৬, .৬৯ চাওবা ফৌরেল, অঙনফৌ অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/5469/22

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG THOUBAL DIST MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 150/SDC/Lil Dt. 9/12/2022**

1. Nawaj Khan S/o (L) Ito Mia.
2. Akaram S/o - do -
3. Zakariya S/o - do -
4. Saddam S/0 - do -

All are resident of Keibung Makha Leikai. -Petitioners

-Vs-

(L) Ito Mia S/o (L) Noorjman Mia of Keibung. -OP

[illegible] / **NOTICE**

9th-12-2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯ - খেকমন অরিবা পাট্টা নং ৪০৭ অনৌবা পাট্টা নং ২৩৫ গী দখল তৌরিবা দাগকী নং ২৫৬৫ গী .২২৯০ হেক্তর চাওবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মীংদা পানবা ইখোল অসিগী অপোকপা মচাশিংনা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অইবা চেগা লোয়ননা উক্তা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong, Thoubal Dist. Manipur

HL-P/5282/22